**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি জিরিবামদা চত্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা কাংলুপ অনিগী আই.দি.পিশিংগা উন্নখ্রে।

২) হৌখিবা চহি অনি অসি মঙলান অমগুম্বনি খনদুনা নুংঙাইনদবশিং কাউথোকদুনা শান্তি অমসুং চাওখৎ মাইকৈরোমদা চৎনবগী থৌনা অদু লৈনবা হোৎনমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

৩) রাজ্য অসিগী পাউমীশিংগী এক্সতর্নেল টুর মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লমথাখ্রে, খোঙচৎ অসিনা লমদম অসিগী পাউমীশিংদা অনৌবা ৱাখল লৌশিং হেনগৎহল্লগনি।

৪) লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ হয়েং লোইশিল্লগনি।

অমসুং

৫) মেঘালায়াদা কয়লা খনি তৌফম অমদা পোকখায়বগী থৌদোক্তা শিন্মী কয়া শিখিবা অদুগা মরী লৈননা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না সু মোতু কোগনিজেন্স লৌখৎখ্রে।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- জিরিবাম অসি মণিপুরগী গেটৱেনি অমসুং বিজিনেস হব ওইবগী মচাক মথ্ম মতিক চানা লৈ। মহাকা

হায়- মুম্বাই অসি ভারতকী বিজিনেস কেপিতেল ওইবগুম জিরিবাম অসি মণিপুরগী মুম্বাই ওইহনবা য়াই। রাজ্য অসিদা লল্লোন ঈতিক্কী থবক থৌরম নিংথিনা পায়খৎকে হায়রবদি অহানবা শান্তি লাকহনবা তঙাইফদে।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি জিরিবামদা চত্ না মফম অদুদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নখি। মহাকা অহানবদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল কেম্পসতা চংজফম লৌরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নখি। মফম অদুদা ৱা ঙাংবদা মহাকা ইনমেটশিংদা অমনা অমগী মরক্তা লৈনরিবা থাজনদবশিং কাউথোকবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা কালিনাগর রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা মার কাংলুপকী আই.দি.পিশিংগী উন্নখি। উন্নবা অদুদা মহাকা হায়- হৌখিবা চহি অনি অসি নুংঙাইতবা মঙলান অমগুম্বনি খনদুনা মীপুম খুদিংমকা কাউথোকদুনা শান্তি অমসুং চাওখৎপরোমদা চৎনবগী থৌনা অদু লৈনবা হোৎনমিন্নশি।

শ্রী খেমচান্দনা হায়- খৃষ্টানিতিনা য়ুমলোন্নরিবশিং অমদি য়েকবশিংবু ঙাকপীবা অমসুং নুংশিবীবা হায়বদু তাকপী তন্বীরম্মী।

মুখ্য মন্ত্রিনা জারোলপোকপী মার ভিলেজদসু চত্তুনা ইরাং মনুংদা লৈখিদ্রবা নুপী অমগী ইমুং মনুংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি হায়- মমাংগী রাষ্ট্রপতি সাসন লৈরিঙৈ মতমদগী মশা মশগী ময়ুমদা হজ্ঞিনহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মখা তানা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং মশা মশগী ময়ুমদা হজ্ঞিনহন্নবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎলি। মহাকা হায়- মণিপুরদা খুন্দারিবা ঐখোয় পুমমক মণিপুরী ঙাক্তনি। রাজ্য অসিদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংনা ফুরুপগী ওইবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অপুনবা মণিপুর অমগীদমক খনবা তঙাইফদে।

তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা উচাথোলদা লৈবা নৌনা শাবা আই.আর.বিগী সবসিদিয়ারি ট্রেনিং সেন্তর অমা শঙ্গাখি।

ভিয়েটনাম(এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মীওই ৩০ না শাবা পাউমী কাংবু অমা ভিয়েটনাম খোঙচৎকীদমক ঙসি অয়ুক লমথাখ্রে। খোঙচৎ অদু মুখ্য

মন্ত্রিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ বিধান সভা কেন্দ্রগী য়ুমাম লৈকাইগী লাইরেন্বী লম্পাক্তগী লমথাখিবনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) গী শেন্থুং মখাদা চৎপা মেদিয়া টুর অসিদা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমুজ) গী মীহুৎ ২৫ অমসুং দি.আই.পি.আরগী ওফিসিএল মণ্ডা য়াওরি। লমথাবগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা পাউমীশিংদা মখোয়গী খোঙচৎ অদু মায় পাকপা খোঙচৎ অমা ওইরসনু হায়খি। মহাকা হায়- খোঙচৎ অসিনা রাজ্য অসিগী পাউমীশিংদা অনৌবা ৱাখল লৌশিং কয়া পীদুনা লমদম অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা পাউমীশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

লমথাবগী থৌরম অদুদা আই.পি.আরগী সেক্রেটরি-হুংয়ো ৱারসাং, দিরেক্তর-অহন্থেম সুভাস সিংহ, এদিটরস গীলস মনিপুর অমসুং অমজ্গী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

দিখো (এল)ঃ হন্দক্তা নৌনা উপ-মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা শ্রী লোসি দিখো ওকপগী থৌরম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি নাগা পিপল ওর্গনাইজেসন (এন.পি.ও), সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন্স এসোসিয়েসন অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংনা পুন্না খুশমদুনা পাঙথোকপনি ।

বিজেপি (এল)ঃ বি.জে.পি লুচিংবা পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায় লৈখিদবগী কুমওন থৌরম সমরপন দিবস ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থন্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুরদা বি.জে.পিগী অহানবা মীরেপ ওইনা চোংথোকখিবা সহিদ শমুরাইলাৎপম মধুমঙ্গোল শর্ম্মগী মফমদসু ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা দলগী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবী, মন্ত্রি- কোন্থৌজম গোবিনদাস অমসুং এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

জিরিবাম জিলাদসু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। জিরিবামগী পি.দব্লিউ.দি. গেষ্ট হাউসতা

পাঙথোকপা থৌরম অদুদা পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায়গী ৱাখল্লোন অমসুং মহাকা মীয়ামগী সেবাগীদমক কৎথোক্লম্লা অদু মীয়ামা খুদুং ইনদুনা চৎপা তঙাইফদে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

রোড (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ লোইশিনবগী থৌরম হয়েং মণিপুরদসু পাঙথোক্কনি। রাজ্যগী ট্রান্সপোর্ট বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো, মন্ত্রিশিং- গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং খুরাইজম লোকেন সিংহ, চীফ সেক্রেটরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল অমদি এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি ট্রান্সপোর্ট অনুরাগ ভাজপায় শরুক য়াগনি।

থৌরম অসিদা রাজ্য ট্রাফিক পুলিস এন্দ মোটোর ভেহিকল ইন্সপেক্তরশিংদা রোড সেফতিগী ইক্যুপমেন্টশিং খুৎশিন্নগনি। লোয়নননা মণিপুর হেলি সার্ভিস পোর্তেলসু হাংদোক্কনি। তুংদা রোড সেফতিগা মরী লৈননা ট্রান্সপোর্ট বিভাগনা পাঙথোকখিবা লমশাং লমজেল অমসুং লাইয়েকপা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎকনি।

এৱার্দ (এল)ঃ মণিপুরগী শকাইরবী ফিলম অমসুং থিয়েতর আর্টিষ্ট রাজকুমারি হেমাবতিদা থাংজম বিরচন্দ্র অমসুং থাংজম ওংবী মাইপাকপী মেমোরিয়েল লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ওফ কচলর ২০২৬ পীখ্রে। মনা অসি আর.কে. হেমাবতিনা মণিপুরী ফিলম অমসুং থিয়েটরগী লমদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু শকখঙবা ওইনা পীবনি। ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী পেলেস ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা অনিসুবা নেসনেল য়ুথ কলচরেল ফেষ্টিভেল ২০২৬ তা মনা অসি পীখিবনি।

ঈপাক ফিলমস প্রদক্সন অমসুং জয়দিপ মেমোরিয়েল ফাউন্দেসন অনিনা পুন্না খুৎশমরগা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা চহি অসিগী নেসনেল য়ুথ কলচরেল এৱার্দশিংসু য়েন্থোকখি। মনা ফংলবশিংগী মনুংদা- ফোক্ক আর্টিষ্ট মঙ্কা

ময়াংলম্বম, বিনিতা লাইশ্রম, ফিলম এক্ট্রেস সোনিয়া শমজেৎশাবম, মণিপুরী ডান্সতা আশা সিংহ, জয়া খুন্দ্রাকপম, থোঙাম শঞ্জনা সিংহ, থিয়েটর আর্টিষ্ট জেমস কোইরেং, মার্সিয়েল আর্টস অমসুং পাব্লিক পার্ফোমির লোইতোংবম বরশ্যাম য়াওরি। মনাশিং অদুদা এম.এল.এ- থাংজম অরুনকুমার অমসুং হান্নগী এম.এল.এ মাইরেনবম পৃথিবীরাজনা খুৎশিন্নখি।

মিসন (এল)ঃ ভিক্সিত ভারত-গেরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মিসন (গ্রামিন)গী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না মমুৎ থানা খঙহন্নবা মিদিয়া ৱার্কসোপ ভরতলাপ অমা ঙসি থৌবালগী ক্ষেত্রি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। পি.আই.বি ইম্ফালনা শিনবা থৌরম অসিদা থৌবাল, ককচিং, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাদগী মিদিয়া পার্সন ২০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদু জিলা অসিগী এসিষ্টেন্ট কম্মিসনার মোইরাংথেম প্রিয়ারোসনি, পি.আই.বি ইম্ফালগী দাইরেক্তর ইঙম পামেনচিংবা শরুক য়াখি।

অভিয়ান (এল)ঃ ভারতপু চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী খোঙজং- উনৎ ভারত অভিয়ানগী জিলা থাক্কী ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই চাইরেন থোংদা লৈবা এন.জি. মনি কলেজদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি লমফেল অমদি এন.জি. মনি কলেজ অনিনা খুৎশমরগা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা উনৎ ভারত অভিয়ানগী রিজনেল কোওর্দিনেতর ডাঃ নবজিৎ সরকার শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাগী লোংমাইদা সি.এস.ও, ভিলেজ চেয়ারমেন অমসুং নহাশিংগা উন্নদুনা সেক্যুরিতিগী মতাংদা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা জিলা অদুদা হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নবগা লোয়ননা জিলা অসিদা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নরা অমসুং শান্তি লৈনা হিংমিন্ননবগী ৱাফমশিং খন্নখি। মীফম অদুদা অরানবা পাউ শন্দোকপগী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

ককচিং (এল)ঃ  সমাজ অসিদা নুপীশিংগী মায়োক্তা চথুরিবা অচান মীরান নাইবগী থৌওংগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা ককচিং জিলাগী তাংজেং খুঞ্জাউ কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী আই.সি.দি.এস সেলগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার, ওফিসনা শিনবা থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী পেনেল লোয়র এদভোকেট ক্ষেত্রিময়ুম সরনকুমারি দেবীনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা মীওই ২০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ওবিসি (এল)ঃ  রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ফোর ৱেলফ্যার ওফ ও.বি.সি এন্দ সেদ্যুল কাষ্টনা পি.এম-এ.জে.এ.ৱাই স্কিমগী শরুক অমা ওইনা জি.আই.এ কম্পোনেন্টকী মখাদা রাজ্য অসিগী সেদ্যুল কাষ্টশিংদগী স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিংগী দরখাষ্ট কৌরি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা বেনিফিসরি লিশিং ১,৬৫০ কোনশিনগনি। অকুপ্পা মরোল দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি।

মীফম (এল)ঃ  মণিপুর ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসিদা হকচাংগী ফিভমদা মীমান্নদ্রবশিংগী অখন্নবা স্পোর্টস হাপচিন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা হয়েং হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসি রাজ্যগী ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ, য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগ অমসুং দিসএবিলিতি সেক্তরদা থবক তৌরিবা এন.জি.ওশিংগা খুৎশমরগা পাঙথোক্কদবনি।

মেঘালয় ঃ  মেঘালায়াগী ইষ্ট জয়েন্তিয়া হিলস জিলাগী থাংস্কাই এরিয়াদা আইন্না য়াদবা কয়লা খনি তৌফম অমদা পোকখায়বগী থৌদোক্তা শিন্মী ১৮ শিখিবা অদুগা মরী লৈননা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না সু মোতু কোগনিজেন্স লৌখৎখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা কম্মিসন্না মেঘালয়গী চীফ সেক্রেতরি অমসুং দি.জি.পিদা নোতিশ থাদুনা চয়োল অনিগী মনুংদা থৌদোক অদুগী অকুপ্পা রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখ্রে। থৌদোক অদুনা মফম অদুদা শিন্মী কয়া থোরকপা য়াদনা লৈরি। কম্মিসন্না হায়- পাউচেশিংদা ফোংনরিবা রিপোর্ট অদু অচুম্বা ওইরবদি মসি মীওইবগী হক খোঙগাউনবগা চপ মান্নে।

কম্মিসন্না হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা অঙাং মঙা ফাজিনদুনা থম্বা কেস অমসু সু মোতু কোগনিজেন্স লৌখৎলে। কম্মিসন্না হরিয়ানা পুলিস কম্মিসনার চয়োল অনিগী মনুংদা অকুপ্পা মরোল পীখৎলকবা খঙহনখ্রে। মিদিয়াদা ফোংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না গুরুগ্রামদা বিল্ডিং শাফম অমদা কোন্ত্রেক্তর অমসুং মহাক্কী শিন্মী মরিনা পোৎ-চৈ হুরান্নবা হোৎনৈ হায়বগী মরালদা অঙাংশিং অদু ফাজিনদুনা থমলে হায়বা পাউ ফোংলকখিবনি। কম্মিসন্না হায়- পাউশিং অদু অচুম্বা ওইরবদি অঙাংশিং অদুগী হক খোঙগাউনবনি হায়না লৌগনি।

অমরোমদা, মেঘালায়াগী ইষ্ট জয়েন্তিয়া হিলস জিলাদা আইন্না য়াদবা কয়লা খনি তৌফম অমদা পোকখায়বগী থৌদোক্তা
শিখিবা মীগী মশিং মীওই ৩০ শুরে।

ইষ্ট জয়েন্তিয়া হিলসকী দিপ্যুতি কম্মিসনার মনিস কুমারনা হায়- পোকখায়বগী থৌদোক অদু থা অসিগী ৫ গী অয়ুক্তা থোকখিবনি। হৌজিক ফাওবা কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই মরি পুলিসনা ফাগৎলে হায়রি।

সংসদ ঃ হ্বাইট রিভোলুসন টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা সরকার অসিনা লৈবাক অসিদা শঙ্গোম লৌশিনবগী চাং হেনগৎহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না রাজ্য সভাদা ঙসি কেন্দ্রগী কোওপরেসনগী রাজ্য মন্ত্রি মুলিধর মোহোলনা ফোংদোকখ্রে।

মহাকা হায়- সরকার অসিনা শঙ্গোম পুথোকপগী চাং নোংমদা কিলোগ্রাম লাখ ৬৬০ দগী কিলোগ্রাম লাখ লিশিং ১ তরেৎতা হেগৎনবা পান্দম থল্লি। থৌরাং অসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা নুপীশিংদা শক্তি পীবগী চাং হেনগৎহনবতা নত্তনা থবক পীবা অমসুং দেরি কোওপরেতিভনা কোনশিনবগী চাং শিংথানিঙাই

ওইনা হেনগৎহনবা ঙম্লগনি। ৱাহং পাউখুমগী মতমদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- হ্বাইট রিভোলুসন টু-পোইন্ট জিরোনা লাক্লিবা চহি ৫ অসিদা দেরি কোওপরেতিভশিংনা শঙ্গোম লৌশিনবগী চাং চাদা ৫০ হেনগৎহন্নবা পান্দম থল্লি। মন্ত্রিনা হায়- ২০২৮-২৯ লোইশিল্লকপদা দেরি কোওপরেতিভশিংনা শঙ্গোম লৌশিনবগী চাং অসি নোংমদা কিলোগ্রাম লাখ ১ হেন্না য়ৌরবা য়াই।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা অসাম চৎতুনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গারবা য়াই।

মহাক্কী অসাম খোঙচৎ মনুংদা ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙথাং অমা ওইনা দিব্রুঘর জিলাগী দিব্রুগর-মোরান লম্বী পরিংগী চবুৱাদা শেমগৎলিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী অহানবা হাইৱে বেজ ইম্মরজেন্সি লেন্দিং ষ্ট্রিপতা শ্রী মোদিনা তোংলিবা এরোপ্লেন অদু লম্বী পরিং অসিদা তাগনি। তুংদা চায়েং ওইনা লম্বী অসিদগী মহাকা তোংলিবা এরোপ্লেন অদু অমুক পাইখৎখিগনি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ফাইটর জেট কয়া লম্বী পরিং অসিদা তাগনি। খরা অমনা ফ্লাই পাস পাঙথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতি অমসুং নোর্থ গুৱাহাতি অনি ফাওনবা ব্রহ্মপুত্র তুরেল মথক্তা শাবা কুমার বাস্কর বরমন থোংসু শঙ্গাগনি। তুংদা, গুৱাহাতিগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টকী টেম্পররি কেম্পস, ইলেক্ট্রিক্ট বস ১০০ সু রাজ্য সরকারদা খুৎশিন্নগনি। শ্রী মোদিনা অমিনগাউদা হাইপর স্কেল দেটা সেন্তরসু হৌদোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা ভারতিয়া জনতা পার্তিগী থৌমীশিংগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা অনিশুবা ডাক্তর কে.এস.ঐচ. চৌরজিৎ সিংহ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্টকী ওসি শান্নখিবা মেটচতা- অসাম রাইফলস পোলো টিমনা তেকচম পোলো ক্লবপু

পাঞ্জল ৯-২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। অহানবা সেমি ফাইনেল হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকা অসাম রাইফলস পোলো টিমগা শান্নরগনি। অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচনা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈ অমদি থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লব অনিনা লম্বা তৌনরগনি।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিবু রন ৮২ দা মায়থিবা পীখ্রে। পি.টি.আর.সিগী শান্নরোই জোতিন ফৈরোইজমনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা- ট্রাউ ক্লাকৈথেলনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখাবু রন ৮৪ দা মায়থিবা পীখি। ট্রাউগী নিংথৌজম শঞ্জিৎনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

ফুটবোলঃ ১৬ শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল সি.আর.পি.এফ ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি তাকয়েলগী সাইদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এস.এস.য়ু শিংজমৈনা আর.এফ.সি কৈনৌবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা এস.জে.সি শলামবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রিকেট ঃ লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৩ শুবা টি-ট্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর.এন.ই.এফ ময়াং-ইম্ফালনা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈবু রন ৪০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী প্লেয়ার ওফ দা মেটচতা আর.এন.ই.এফকী রাজ্‌না তাখি।

------